## মণিপুরগী মীখল...

*লমায় ১গী মখা...* লান থোরকপদগী অহেনবা আর্মি অমসুং সী এ পি এফকী পর্সনেল লিশীং ৩৬ লোম দিপ্লোই তৌখ্রবনি হায়না পাউগী এজেন্সী অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি। সী এ পি এফ অমসুং আর্মিশিং অসি মণিপুরগী মীতৈ ফূরুপ্না খুন্দাবা তম্পাক্কী এরিয়াশিংগা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগগী মরক্তা লৈরিবা 'বফর জোন' শিংদনা হেন্না দিপ্লোই তৌরকপনি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী বফর জোন হায়দুনা মিংথোনবা মফমশিং অসিদা আর্মি অমসুং সী এ পি এফশিং দিপ্লোই তৌরকপগী মরম্না লান শোক্করিবা ফূরুপ অনীগী মরক্তা মখা তানা খূৎ থোক্কহল্লক্তনবনি হায়রিবনি। অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মণিপুরদগী কম্পেনি ৫০গী সী এ পি এফ অমসুং বি এস এফশিং লৌথোক্কদৌরিবনিনা ষ্টেট পুলিসকী লৈজবা পর্সনেলশিংনা মণিপুরগী তাঙ্কক অনীগী মীখল অসি নীংথিজনা পাঙথোক্কবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## সাইতোন, সলান...

*লমায় ১গী মখা...* মিনিষ্ট্রিনা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং লৌথোক্লবা হোৎনরকপা য়ারোই হায়খি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী চোংথাম অনন্দিনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অয়াম্বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা মতম অমদা হেক্তা লান্দারকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবদগী ভলনরেবল এরিয়াশিং ওইরিবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা সী আর পি এফ অমসুং বি এস এফনচিংবা দিপ্লোই তৌরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীওইশিং খজিক্তং ওইরবসু শাফদুনা লৈরক্লিবনি। অদুবু হৌজিক লান লোইশিন্দুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লকপগী ফীভম লৈত্রিঙৈদা মীখলগীদমক শীজিন্ননবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং লৌথোক্লবা হোৎনরক্লিবা অসি য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

**GAS NEWS**

**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Imphal East.
Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 /8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839
LAMSHANG A/C -9612493837

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 03-03-24**
Valid from 01-03-24
Only home delivery sarvice
Office no. 9774068549
Home delivery contract no. 8974511936
Message no. 8974511936
**STOCK. 306**
Time 7.am to 9.am

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk. Upto date**
8787632782, 9367471778

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 9:00 AM TO 12:00 NOON
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL 8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
7628077876(enquiry)

## ইদুল ফিটরগী পাউজেল

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা ইদুল ফিটর থৌরমগী মাঙওইননা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা মণিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীওইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, অমেস্কো, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, মণিপুর মৈতৈ পাঙল ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন, সদর বজার মসজিদ মেনেজিং কম্মিটি, ওল মণিপুর দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননসু নুমিৎ অসিগী থৌরমগী মাঙওইননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## প্রোফেসর বিমোল অকোইজমনা...

*লমায় ১গী মখা...* হৌজিক কাংপোকপী, মোরে, চুড়াচান্দপুরনচিংবদা চঙথোক চঙশিন য়াদ্রিবা অসি নরেন্দ্র মোদিনা নীংথিজনা মীৎয়েং চঙদবদগীনি হায়খি। অদুগা ইলেক্সন ময়াদা খক্তা মণিপুরবু নুংশিবা শারকপা লাইবক থীবনি হায়রদুনা মহাক্না মণিপুরগীদমক খল্লগদি ভোট খোম্বা লাকউ হায়নসু পাউমীশিংগী খূত্থাংদা ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা চঙথোক চঙশিন য়াদ্রিবা অসি ঈং-তপ্পা লাকপদগীরা হংলদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অসি ইলেক্সন ময়া অসিদা উৎ চাইবনি হায়খি।

## দি সীনা অয়াবা পীরবা মীখলগী মীফমদা লূপ খরনা

*লমায় ১গী মখা...* চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদগী হৌরগা এম এল এ / মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা মশীং য়াম্লবা মীয়াম পূন্দুনা লৈবা মীয়াম্না খঙনরবনি। মসিগী মতাংদসু মীখল অসিগা মরী লৈননা অরানবা পাম্বে কয়া বি জে পিনা শীজিন্নরব্রা অমসুং মীয়ামদা শেল য়েল্লব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্তুনা সী ঈ ও, মণিপুরদসু ৱাকৎপা লৈখ্রবনি হায়খি।

ক্ষেত্রিময়ূম শান্তনা মখা তানা হায়, বি জে পিনা অরানবা প্রোপেগন্দা কয়া তৌদুনা মীয়ামদা চাউনা মীনম্বা অমসুং লান্না লমজিংনবা হোৎনবা লেপত্রি। ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার অনীগী মরক্তা লৈরম্বা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম লৌথোক্লে হায়না বি জে পিনা লাউরিবসি মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা থল্লম্লগা মখোয়না লৌথোকপা ওইনা মালহনবনি। এফ এম আর অসিদি বি জে পি লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৮-দগী চৎনহল্লকখিবনি।

এন আর সীগী মতাংদসু মীয়াম্না লোইনা খঙনরবা ঙাক্তনি মদুদি কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ৫দা মণিপুর এসেমব্লিদা ষ্টেটসিদা এন আর সী চৎনহন্নবা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা শৌগৎতুনা ৱারেপ লৌখ্রবনি। ৱারেপ অসিবু অমুক হন্না হন্দক রিএফার্ম তৌবদা কোংগ্রেস এম এল এশিং য়াওদে হায়না প্রোপেগন্দা তৌরকপা লাইবক থীবনি। এন আর সীগী মতাংদদি বি জে পিগী লুচিংবা মশেলগী মরক্তা ফাওবা মান্নদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা চমম্নহল্লে। অমিট শাহনা ইন্দিয়া পূম্বদা এন আর সী চৎনহল্লগনি হায়না লাউথোরকপা অদুগা প্রাইম মিনিষ্টরনদি লৈবাক শিনবা থুংনা চৎনহনবগী ৱাফম লৈতে হায়খি।

মখোয় মশেলগী মরক্তা ফাওবা চমম্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা মীয়ামদা অচুম্বা খঙহন্দনবা হোৎনরি হায়রদুনা হৌজিক লৈবাক অসি মোদিনা পাল্লিব্রা নৎত্রগা অমিট শাহনা পাল্লিব্রা হংখি।

মণিপুরদা থোরকখিবা চহী অমা ফাজিল্লক্লবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা লাক্ত্রিবা অসি কোংগ্রেসনা ভিদিও ভাইরেল চৎহনবদগী লাক্তবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়বা অদুগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদনা ষ্টেট লৈঙাক্লা প্রাইম মিনিষ্টরবু লাক্লবা হায়দবদগীনি হায়বরোমদা ফোঙদোকখি। মমাঙ চহীগী জুন থাদা নুমিৎ ২০নি রোম ৱাখল মান্নবা পোলিটিকেল পার্টি ১০না প্রাইম মিনিষ্টর উনজগে হোৎনবদা ফংখিদে। চীফ মিনিষ্টর মশা য়াওনা মিনিষ্টর / এম এল এ কয়ানা উননবা চৎপদসু ফংলকখিদবনি। পাম্বে লৈরক্তবদগী পোলিটিকেল পার্টি ১০না গভর্ণরদা প্রাইম মিনিষ্টর উনবগী এপোইন্টমেন্ট লৌবীনবা তকশিনখি। মতমদুদা প্রাইম মিনিষ্টরদি অচিনবা খরা লৈ হায়রকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর বিরেন মশাসু উনদুনা পার্টি ১০না প্রাইম মিনিষ্টর উননবগী এপোইন্টমেন্ট লৌনবা তকশিনখিবনি। চীফ মিনিষ্টরনসু এপোইন্টমেন্ট লৌরসি হায়বগী থাজবা পীরকখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা চে থাখিবগী ৱাফমদি লৈতে। মরম অসিনা মণিপুরদা মোদি লাক্তবগী তেকচাক মণিপুর লৈঙাক অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পুগদবনি। মণিপুর মীয়াম অমসুং মোদিগী মরক্তা এন বিরেননা থৎলগা লৈখিবনি হায়খি।

কোংগ্রেসকী মেনিফেষ্টোদা আই এন দি আই এ ব্লোকনা লৈঙাক পায়রবদি মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক লৌথোক্কনি হায়রিবসি মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিনবা ঙমদ্রবা, মখা অদুম শাংথহল্লবা লৈঙাক অমা ওইবদগীনি। লো এন্দ ওর্দর ঙাকপসি ষ্টেটকী মথৌ ওইরবসু ষ্টেট লৈঙাক্লা করিসু ঙমদ্রে। চীফ মিনিষ্টর মশানসু লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা অহোবা কয়া লৈখ্রে হায়না মশানা য়াজখ্রবনি হায়খি।

## 'ইমা ইবেলশিংবু মীখলগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবীবা...

*লমায় ১গী মখা...*অদু খল্লগা ভোট থাদগনি। ইলেক্সনগা মরী লৈননা লাঙবা, ভোট খোম্বা, কেম্প্যেনচিংবা অমত্তা ঐগী ইমুংগী ওইনদি য়াওরোই। লান অসিসু ভোটসি লোইখিবগা লোইদ্রিবা ফিল্মদা 'টু বি কন্তিন্যুদ্' থারগা পার্ট টু পুথোরকপগুম অমুক মখা তারকখিবা য়াবনিনা কনামত্তা থাজদ্রে। লান অসি পার্ট ৱান লোইখ্রে। ইলেক্সন অসিনা ব্রেককী মওংদা লৈবনি। পার্ট টু অমুক লাকপা য়ারি। ইলেক্সন অসি মতাং চাদে। লান অসি লোইশিল্লগা তৌরম্লগদি হেন্না ফগনি হায়রকখি।

**শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ মমাঙ লৈকায়দগী কেফে হাংবা মমিং ফোঙদোক্লিংদবা নুপা অমনা হায় :** ঈরাং অসি থৈখিবগী মওংদা রিমোট অমা পায়রগা মীয়াম অসি শান্নবগুম তৌরে অদুগা মীয়াম-মীচম ঐখোয়না পংহিংদা হিংবা শিবা ঙাইবগুম্না তৌরে। অদুগা মীয়ামসু হৌজিক লোইনমক ৱাখল তাদবনিনা শেল লৌরগা ভোট থাদবা য়াওরক্কদবা মাল্লি। মরু ওইনা ইমা-ইবেল, মৌনহাশিংনা শেল লৌদনা অচুম্বা কেন্দিদেট খনবদা শরুক য়াহন্নীংই। কনাগুম্বা পার্টিগী মীশিংনা অঙাংশিংদা ফাওবা কনাদা ভোট থাদগনি হায়না হংলগা ভিদিও নম্বনচিংবা তৌরক্লিবসিসু য়াম্না তৌশিন্নবা মাল্লি ফোঙদোরকখি।

**শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তগী সলাম বেসিকানা পাউচে অসিদা হায় :** ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন হায়বসিদি বেসিক ফন্দামেন্টেল রাইটনি অদুবু ঐখোয়গী লমদমসিদদি মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইটশিংসিদি খোঙ্গোইনরগা লাক্লবনি। হান্নদগী ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন এন্দ স্পিচ, রাইট টু লাইফ অমদি পর্সনেল লিবর্টি ফাওবা খোঙ্গোইনরগা লাকপা লৈবাকনি। অফস্পানচিংবা লোশিংনা খুদুম চল্লকপা লমদমনি। অদুগা হৌজিক্তা ভোটিং রাইট মাঙহনবীগনু হায়না কেম্প্যেন তৌবসিদি নোক্লিংবা ফাওই হায়রকখি।

ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইগনি হায়বা কয়া থাজদে। তম্পাক্কী মীয়াম্না চীংদা বুঠ কেপচরগী ৱারী তৌই অদুবু তম্পাক্তসু তৌরকপা কুইরে। বিহার অমদি অৱাং থংবা লৈবাকসিগী শরুক্তা লৈবা গুন্দাইজমগী চৎনবী অদু মণিপুরদসু চপ চানা লৈ। তম্পাক্তা চৎনবা কুইরে। মরম অসিনা ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইগনি থাজদে। নহান অহলশিংগী অখন্ননা য়ূম য়ূমদা চঙলগা থাদহনবদা ঙা চানবগী শেল পীগে হায়বগী ৱাথোক থোকখ্রে। মীয়াম্না পার্টি অমদি কেন্দিদেটশিংদগী কানবা লৌথোকখিবা লৈ অদুনা হন্দক্কী ইলেক্সনসিদা অওনবা অমা পুরক্কনি হায়বসি কয়া থাজদে।

হান্নদগী মীয়ামদা পোলিটিকেল মেন্যুপুলেসন তৌদুনা লাক্লি। হৌজিকসু তৌরি। মসিদা মীয়াম্না মীৎয়েং শান্না উবা ঙমদবসিনা মরম ওইরগা হঞ্জিন হঞ্জিন কোমদা পুত্থবসিদি থৱায় নুংঙাইতে। ইলেক্সনগী মেনিফেষ্টো ফজনা কূপ্না নৈননি, মরু ওইনা কেন্দিদেট অদুগী পর্সনেলিটিসু য়েংগনি। চাওখৎপগী মতুং ইন্না সোসল মীদিয়া অমদি মাস মীদিয়াশিংসিদা কেন্দিদেটশিংসিগী ইনফোর্মেসন লোইনা লৈরবনি। থোক্লক্লিবা ময়াম অসি এদ্যুকেসন ক্বালিফিকেসনদদি লোইনা মতিক চারি। হান্নদি নহা ময়াম অমা ইলেক্সনদা শরুক য়াদে। ভোট থাদবগী মশীংসু য়াম্না নেমখি অদুবু হন্দক্তি ঐখোয়না লেপ্লিবা তাঙ্কক অসি মণিপুরগী তুংগী অফ-ফত্ত চৎকদবা ক্রোস রোদতনি হায়রদুনা মমাঙঙৈদা থোক্লকখিবা কেন্দিদেটশিংদুসু পোলিটিসিয়ন ঙাক্তনি। মখোয়দি পোলিটিকেল পৱার খক্কী থোরকখিবনি অদুবু হন্দক্তি কেন্দিদেটশিংসি হান্না পোলিটিসিয়ন ওইরগা লাকপা নত্তে, ইমা লৈবাক্কী ফীভম অসি উবা ঙমদবদগী থোরকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

ꯁꯥꯇꯦꯟꯁ / **Post Matric Spoken English Course**

***Course commences : 15th April***

***Address :*** S.N English Solution
LYS Building Kwakeithel
near Police Out Post

For more information please contact
**91- 9862-8410-22**

HL-P/10406/11

ꯊꯕꯛ ꯁꯥꯏꯅꯥ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ/**Employment News**

1) Two Female or Male warden cum teachers E/Q - Graduate/PG (Rs. 12000 to Rs. 15000)
2) Two Male Boarding cooks (Rs. 8000 to Rs. 12000)
3) One Boarding Bus Driver (Rs. 8000 to 12000)
4) Two Gym and Aerobic trainers (Salary - Negotiable)

**For details please contact : 8798754418**

HL-P/10409/11

## 'এপ্রিল ১৩, অথৌবশিংগী নুমিৎ'...

*লমায় ১গী মখা...* খঙহনখিবগী মতাংদা ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লৈখিদ্রবা আর পি এফ / পি এল এগী অথৌবা লান্মীশিংগী ফেমিলি কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট নাওরেম ইবোহনবীনা হায়, চহী খুদিংগী এপ্রিল ১৩দা থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংথক্তা লৈ-শু কৎতুনা লাকখিবনি। হন্দক্কীসু থা অসিগী ১৩দা কোদোম্পোকপীগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগনি। মসিগীদমক হায় কোর্টনা অয়াবা পীবিরে। মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংশিংনা শরুক য়াবীয়ু অমসুং নুমিৎ অসিদা জেনরেল ষ্ট্রাইক অমদি লম্বী থিংবনচিংবা তৌবীগনু হায়খি।

পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবা এদভোকেট ওক্রম ন্যুটনকুমারনা হায়, লৈখিদ্রবা ৯গী মফমদা চহী খুদিংগী হৈকৎ লৈকৎ তম্নবা কুমজা ২০১৫দগী হৌরদুনা কোর্টকী অয়াবা লৌরকখিবনি। কোভিদ-১৯গী মতমদদি লেপখি। হন্দক্কীসু হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা অয়াবা পীবিনবা মণিপুর লৈঙাক্তা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখিবনি অদুবু লৈঙাক্লা অয়াবা পীরক্তবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা অয়াবা পীবিনবা হায়জরুবদা থৌরম অসিগী অয়াবা পীরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, থৌরম অসিগীদমক খুন্দ্রাকপম ওংবী মেধা অমসুং অতোপ্পা মীওই ৭না পিটিস্নর ওইদুনা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ২২৬ ওফ ২০২৪ ফাইল তৌখিবনি। পিটিসন অসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলনা থা অসিগী ১দা লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা চৈরাও চীংথক্তা লৈবা নীংশিং খুভমদা পিটিস্নরশিং, মরী-মতাশিং, মরুপ-মপাংশিং অমসুং লৈখিদ্রবশিংবু নুংশিজবশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী অয়াবা পীরকখিবনি।

## মণিপুরদা মথন্তা শিজবা 'সুইসাইদ' কী...

*লমায় ১গী মখা...* কয়ানা তৌদুনা লাক্লি। অদুবু নুমিৎ খরনি অসিদদি মণিপুরদা থৌদোক অসি থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপগুম তৌরে।

মালেমগী ওইনা সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী মী অমমম সুইসাইদনা মরম ওইদুনা শি। অদুগা মী অমমম শিবা খুদিংগীনা মী ২০না সুইসাইদ তৌদুনা শিহঞ্জনবা এটেম্প তৌবগী রিপোর্ট লৈরি। মালেমগী ওইনা চহী অমদা মী লাখ ৮দি সুইসাইদনা মরম ওইরগা শিবগী রিপোর্টসু লৈরে। থৌদোক অসি থোকহন্দুনা মশা মথন্তা শিহঞ্জবগী মরম ময়াম অমা লৈ। মরমশিং অদুগী মনুংদা মেন্টেল ইলনেসনা মরম ওইদুনা শিজখিবনা থৌদোক ১০০গী মনুংদা ৬৫ ওইরি। নহাশিং মরু ওইনা চহী ১৫দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবশিংনা সুইসাইদ তৌবগী মরম অসি অহুম থোক্না খাইদোক্তুনা নৈনবা য়াই।

অহানবদা, মখোয়দা পীবা একাদেমিক প্রেসর, অনীশুবদা রোমান্স / লভ এফ্যেরস অমসুং অহুমশুবদনা অপাম্বা ফংদবা (ইম্পলসিভ) গী থৌওংশিংনি। হৌজিক ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না নহাশিংগী পূন্সিদা মমাঙঙৈগা য়েংনবদা য়াম্না অহোংবা লৈরে। হৌজিক্তি ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংগী মওংদা নহা ওইরিবশিংগী মরক্তা লৈনবা মরী (রিলেসন) দসু অহোংবা লৈরক্লে। ফিজিকেল রিলেসননা হেন্না পাম্নবগুম তৌরক্লে। মসিনা অমা নৎত্রগা অমনা ৱাখল হোংলকপদা লৈনরিবা রিলেসন অদুদা অকায়বা থোকহল্লক্তুনা ৱাখলগী লায়না ওইরকপদগী সুইসাইদ তৌবগী থৌওং হেক হেক চথুরকপা থেংনৈ। (মথং-মথং)

## জিরি লম্বীদা পোৎ চৈ চিংলকপা ত্রকশিং কুম্মৈ ...

*লমায় ১গী মখা...* মায়কৈদগী এস্কোর্ট পর্সনেলশিং লৌথোকপগী থবক অসি হান্নসু খঙহল্লম্বা তৌদনা ঙরাং খঙহৌদনা লৌথোকখিবনি হায়রি।

থৌওং অসিগী মতাংদা ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এম অনিল মৈতৈনা পাউচে অসিদা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা হায়ৱে অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা পোৎ চৈ পুবা ত্রকশিং ঙাকশেন্নবগীদক্তা পীরম্বা এস্কোর্ট পর্সনেলশিং অদু পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা শীজিন্নরগনি হায়না ঙরাং খঙহৌদনা লৌথোকখিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল তম্না মখল কয়াগী পোৎলমশিং পুশিল্লক্লিবা ত্রকশিং লমথুংফম য়ৌশিল্লকপা ঙমদনা হায়ৱে পরিং অসিগী নোনে, খোংশাং, ইরং অমদি জিরিবামনচিংবা মফমশিংদা পুল্লপ পন্দুনা লৈরে হায়রি।

এস্কোর্ট য়াওদ্রবদি ত্রকশিং অসিনা মনীং তম্না লাকপা ঙম্লোইদবনিনা মণিপুর মীয়ামগী নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুশিল্লকপদা অপনবা ওইরগনি। মরম অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা মীয়ামগী মায়কৈদগী অকনবা ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্লা অতোপ্পা এস্কোর্ট পর্সনেলশিং থৌরাং তৌবীদুনা হৌজিক হায়ৱে অসিগী মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা ত্রকশিং অসি ইম্ফাল য়ৌশিল্লক্লবা হোৎনহন্নীংই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাঙ চহীগী মে ৩দগী চথুরকখিবা লান অসিগী মতাংদা হৌজিক চপ চাবা সোলুসন অমা পুরকপা লৈত্রিবনিনা পোৎ চৈ থন্না হাপ্লবা ত্রকশিংনা হায়ৱে অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মতম কুইনা পন্দুনা লৈবদা অফবা ওইরক্লোই। মণিপুর মীয়াম্নসু পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবা ফংজনবা অথুবা মতমদা ত্রকশিং অসিবু ঙাক শেনগদবা মতিক চাবা এস্কোর্ট থৌরাং তৌহন্নীংই।

## বি এস এফ লৌথোকপা য়ারোই হায়দুনা ককচীং...

*লমায় ১গী মখা...* কম্পেনিগী পর্সনেলশিং লৈরকখিবনি। অদুবু মখোয়বু মফম অসিদগী লৌথোক্লগা অতোপ্পা ষ্টেটতা মীখলগী দ্যুটি পাঙথোকহন্নবা হোৎনরে হায়বা পাউদগী ওল ককচীং খুনৌ মৈরা পায়বী ৱেলফ্যের এসোসিএসন অমসুং মোনিটরিং কম্মিটি, ককচীং খুনৌ অনীনা খূৎশম্নদুনা কোলেজ কেম্পস অসিগী গেট ছো লোনশিন্দুনা মফম অসিদা দিপ্লোই তৌরক্লিবা বি এস এফ পর্সনেলশিং লৌথোকপা য়ারোই হায়বগী খোঙজং চঙশিনখিবনি।

খোঙজং অসিগী মতাংদা ওল ককচীং খুনৌ মৈরা পায়বী ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম ইবেচৌবীনা হায়, মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথুরক্লিবা লান অসিদা ককচীং খুনৌ অমদি উমাথেল এরিয়া অসি রেদ জোন ওইদুনা লাক্লিবনি। মরম অসিনা ৪২শুবা বি এস এফকী ঈ কম্পেনিগী পর্সনেলশিং ককচীং খুনৌ কোলেজদা দিপ্লোই তৌদুনা ককচীং খুনৌ লমখাই, আইহাং অমদি উমাথেলগী এরিয়াদা মথৌ পাঙথোক্তুনা মীয়াম্বু ঙাক শেল্লক্লিবনি।

অসুম্না মায়কৈ অসোমগী মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা লৈরক্লিবা পর্সনেলশিং অসিবু মফম অসিদগী লৌথোক্লগা মীখলগী মথৌ পাঙথোকহনগনি অমসুং অতোপ্পা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ওইনা থারক্কনি হায়না থৌরাংলক্লিবা অসি য়াবা ঙম্লোই। মরম অসিনা লৈঙাক্লা মফম অসিদা বি এস এফকী পর্সনেলশিং লেঙদনা লৈহনবীয়ু। করিগুম্বা লৈঙাক্লা ঙম্মী হায়দুনা বি এস এফ পর্সনেলশিং অসি লৌথোকখিবা তারবদি ককচীং খুনৌ এরিয়াদা মখা তানা মখল অমত্তগী সেন্ট্রেল ফোর্সশিং থম্বা য়ারোই হায়খি।

## পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফনা...

*লমায় ১গী মখা...* নুংথিলগী মতমদা চরা হেল্লগা নুমিদাংগী মতমদনা শেম্বীবা তাইবঙ মপুবু নীংজদুনা থা ১ চূপ্না চথুরকপগী মপূং ফারকপগী অহানবা থা উবগী থংনবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংগী ইদুল ফিটরনা লাকপদা ইস্লাম লাইনীং চৎপা ইরৈবাক অসিগী মীতৈ পাঙলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়রি।

ইরৈবাক অসিগী চিরবা তানফম কয়াদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ চাশিংনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা পাম্বোম তিংমিন্নরকখিবা অদুনা ঐখোয়গী ফূরুপকী অপূনবা লিংজেল ওইদুনা ঙসিসু ইরৈবাক অসি ঙাকমিন্নরি। মসিমক থৈদোকপা য়াদ্রবা ইরৈবাকসিদা হিংমিন্নরিবা ইরৈচা খুদিংমক্কী থৌদাংনি।

ইদুল ফিটর মপূং ফানা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইরৈবাকসিদা খুন্দামিন্নরিবা ঈ মরী ওইরিবা মচিল মনাওশিংগী মরক্তা কাঙলূপ ফূরুপকী অপীকপা ৱাখল-মীৎয়েং থাদোকমিন্নদুনা মাঙখ্রবা ইমা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবা চঙশিল্লিবা 'লৈবাক মীয়ামগী নীংতম লালহৌ' অসিগী খোঞ্জেল হেন্না মঙম শান্না চঙশিনবা ঙম্নবা ঐখোয় খুদিংমক পূন্না হোৎনমিন্নসি অমদি 'পূন্না হিংমিন্নবা পূন্না চাওখৎমিন্নবা' হায়বা পন্থুংসিদা মীৎয়েং থমদুনা ফূরুপচাশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফনা ইরৈচাশিংদা আপীল তৌজরি হায়রি।

**GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER**

ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012

BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA

**Many Students were certified and eligible for applying Job**

***Online or Offline Class Available***

Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW

**Computer Course**
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.

Admission Open

**Spoken English**
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)

For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com

HL-B/8674/3_Apr. to 31 May_Alt




